ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেল, মে ২০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৫৪শুবা মশীং

## টেষ্ট তৌবসু হীদাক কাপ্পসু

### তঙাইফদবশিং ওইহনফম থোক্তব্রা

লৈবাক অসিনা নোবেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) মায়োক্লরক্লিবসি চহী অমা হেঞ্জিল্লক্লে। লায়নাসি মী অমদগী অমদা অরায়বা মওংদা লৌনহনবা ঙম্বা অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা মীওইবগী থৱায় মাঙহনবা ঙম্বদগী লৈবাকসিগী অকক্লবা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা মখোয় মশা মশাগী ওইনা লায়না-লাইচৎশিং মায়োক্লনবগীদমক ইপিদেমিক দিজিজেস এক্টশিং তোঙান তোঙান্না লৈজরবসু কোভিদ-১৯ মায়োক্লনবগীদমক্তদি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্টকী মখাদা পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎলকই। মসি লায়না লাইচৎসিগী তমথীবা মতৌ অসিদগীনি। মসিমক্লা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্টকী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংনা পীবা পৱারগী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা ইহান হান্না মার্চ ২৪, ২০২০দগী টোটেল লোকদাউনগী অথিংবা থমজিনবা হৌখ্রিবনি। লায়না-লাইচৎসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কন্ত্রোলগী থৌদাংশিং লৌরিবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) গী মায়কৈদগীসু কোভিদ-১৯ মায়োক্লনবগীদমক ঙাক্তুনা চৎনগদবা গাইদলাইনশিং মতম মতমগী মতুংইন্না লাউথোক্তুনা ঙসি ফাওবদা চৎনহল্লক্লিবনি। হায়রিবা থবকশিংসি লৈবাকসিগী লৈমাইদগী কোভিদ-১৯বু মরূ ফংনা ফূক্তোক্তুনা লংথোকখিদ্রিবা অমসুং তমথীরবা লায়না লাইচৎসিনা অমুক হন্না মীয়ামদা চৈথেং পীরকপা ঙম্লরোই হায়বগী পূক্নিং লূম্লবা ফীভম অমদা লৈরক্ত্রিবা ফাওবদি চত্থখিগদৌরিবনি। অদুনদি তমথীরবা লায়না লাইচৎসি লৈবাকসিগী মীয়ামগা মতম পূম্নগী ওইনা শেৎন-খায়নখিনবা লৌখৎলক্লিবা চেকশিন-থৌরাংশিং অসিগী মনুং চন্না লৈবাকসিগী মীওই পূম্নমক টেষ্ট তৌথোকপা করি কাইবগে? মী অমত্তা চিংখদনা টেষ্ট তৌথোক্লগা লায়নাসিগী মহীক চঙলক্তুনা নাহল্লকপা ঙমদনবগীদমক হীদাকসু লোইনা কাপথোকহৌফম থোক্তব্রা হায়বগী ৱাফম লাকই। হায়রিবা থবকশিংসিগী মনুংদা হৌজিক মণিপুরগী ওইনসু মীওই কয়া য়াম্না টেষ্ট তৌরে। হায়বদি মে ১৭, ২০২১ ফাওবদা ষ্টেটসিগী ওইনা থেংনবা অপুনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৪০,০৫৯ শুখ্রে। পোজিটিভ কেসশিং অসি মীওই মশীং য়াম্না টেষ্ট তৌরকপদগী খঙবা ঙম্লক্লিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী টেষ্ট তৌবা য়াররবা মীপুম খুদিংমক লোইনা টেষ্ট তৌথোকপদি নৎত্রি। অদুনা ওফিসল ওইনা ফংলবা পোজিটিভ ওইবগী মশীং, এক্টিভ কেসকী মশীং অমদি ফগৎলক্লে হায়রিবা মশীংশিং অসিদি টেষ্ট তৌরবা মীওই খরখকসিদা য়ূম্ফম ওইবা কালক্যুলেসননি। টেষ্ট তৌদনা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তসু পোজিটিভ কেসশিং য়াওরম্লোই হায়বা য়াদ্রি। মরমদি সেকেন্দ ৱেভ অসিগী মচৎ ওইরিবা শিম্পটোমশিং মায়োক্লরবা ফাওবদা লৈমিন্নরিবা ইমুংগী মীওইশিংদা ফাওবা হায়দোক্তনা লৈবা য়াওরি। তঙাইফরক্ত্রবা, ভেন্টিলেটরগী মথৌ তারক্লবা মতমদতা মথি ফোংলকপা য়াওরি। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা লায়নাসিগী মরমদা মনুং থিৎনা খঙদুনা মথন্তা নাইতোম লৈরবা, লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎচরকপদগী মশাদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্ত্রগবুদি য়াম্না ফৈ। মশা খক্তা নত্তনা মহাক্কী ইমুংগী, লৈকায়গী অমসুং ষ্টেটসিগী ওইনা য়াম্না ফৈ। অদুবু মে ৭, ২০২১দগী অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট ৫গা লোয়ননা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লক্লিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতা নুমিৎ খুদিংগী পোজিটিভ কেসশিং মশীং য়াম্না থেংনরিবা অসিনদি লায়নাসি অমদগী অমদা ত্রান্সমিসন তৌরি, লোকল ত্রান্সমিসনগী চাং ৱাংলি হায়বনি। মরম অসিনা ইমুংগী মীওইশিংনা, লৈকায়না, হেল্থ ক্যের ৱার্করশিংনা হায়রকপা ঙাইদ্রবসু ইশাদা চিংনবা পোল্লবদি মদুগী মতাংদা তাংদাংবা খঙদোক্লবা টেষ্ট তৌথোকপা চুমগনি। টেষ্টকী রিজল্ট অদুগী মতুংইন্না অমসুং ইশাদা ফাউরকপা সিম্পটোমশিংগী মতুংইন্না হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈজবা য়াই। মসিগী খুদোংচাবা ফংদ্রগনা কম্যুনিতি হোম আইশোলেসন সেন্টরশিংদা লৈবা য়াই। কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈরবসু য়াই। তঙাইফরক্ত্রগনা হোস্পিটাল/ক্লিনিক্তা এদমিট তৌগদবনি। অদুবু লৈকায়দি লায়রদনা ইমুংগী মীওইশিংদা ফাওবা লোৎশিন্দুনা থল্লকপা, শ্বর হোনবা ৱাশিল্লক্লবা মতমদতা ওক্সিজেনগী কোয়চেন চেন্নরক্তুনা হোস্পিটাল য়ৌরকপগী ফীভম্নদি পোজিটিভ কেসশিং মশীং হন্থহল্লকপগী মহুত্তা নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎহল্লক্কনি। মরম অসিনা লৈবাকসিগী কুমজা ২০০৫গী এক্ট নম্বর - ৫৩ ওইরিবা নবেম্বর ২৮, ২০০৫দা রাজ্য সভানা পাস তৌরগা প্রসিদেন্টনা দিসেম্বর ২৩, ২০০৫দা এসেন্ট পীখিবদগী চৎনহল্লক্লিবা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট অসিগী মনুংদা লৈবাকসিগী মীপূম খুদিংমক টেষ্ট তৌথোকপগী থবকসি মেন্দেটরি ওইব্রা হায়বদু য়েংশিনহন্নীংই। হৌজিক্কী ফীভমসিদদি এক্টসিগী প্রোভিজনশিংনা মীপূম তিংনা টেষ্ট তৌথোক্কদবনি হায়বদুগী কম্পলসন য়াওবা নৎত্রগা য়াওদবগী ৱাফমদি থোইদোক্ত্রে হায়নীংই। পিকখ্রবা মণিপুরসিদা নুংতিগী মীওই ১০দগী ২০ ফাওবা য়ৌনা শিজিল্লক্লগা এক্ট/লোদা য়াওদে/য়াদে হায়দুনা লৈথোকপা য়াগদৌরিব্রা? লায়না লাইচৎসি মায়োক্লনবা লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিং অদুগী মনুংদা ফীভমসিনা ওইহল্লকপা/মায়োক্লহল্লকপা পূম্নমক অরৈবা পান্থে পুথোক্তুনা থেংনগদবনি। নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট অসিদি লৈবাক অপূম্বগী ওইনা শেম্বগী ৱানি। এক্টসিবু থবক্তা ত্রান্সলেট তৌরকপদদি মাগী মাগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী লোকল কন্টেক্সতা য়েংলগা এদজষ্ট তৌগদবনি। অফবা, য়াইফগদবা থবক তৌবদা অকায়বা লৈরোই। মীয়ামদগী মতেং ফংগনি। মীপূম তিংনা টেষ্ট তৌথোকপা অসিখক্তা নত্তনা হীদাক কাপথোকপা য়ারবা চহী কাঙলূপকী মনুং চল্লবা মীওইশিংবুসু য়ারিবমখৈ থুনা হীদাক কাপথোকহৌবা চুমগনি। মরু ওইবা থবক অনীসিদা চঙবা পোৎলমশিংগী থৌদাংনা লৈঙাক্লা লৌগদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৮

১) চহী য়াঙ্খেগী মমাঙদা অহানবা ওইনা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম উৎখিবদু করম্বা চহীগী করি থাগী তাং কয়াদনো?

২) "দাদা সাহেব ফালকে ভারত সিনেমাগী অপোকপা" হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো?

৩) অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মনি লৌনরিবা "মতমগী মণিপুর" হায়বা ফিল্মসিগী অয়াম্বা শরুক কদায়দা সেট শারগা নমখিবগে?

৪) John Warrington হায়বা BBC গী Correspondent অমনা মণিপুরী ফিল্ম অমবু "সেল্লুলোইদতা ইবা শৈরেং" (Poem on Celluloid) হায়না শীংথাখি। ফিল্মদু করি ফিল্মনো?

৫) "লাইরিক লাইশু কুমজা সাহিত্য-ইতিহাস" হায়বসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩১, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২৯

### (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

লীলা ফোঙবগী ৱারীসি ঐ ইতম তমখিদ্রি মাল্লে খল্লি। মরক্তা মচেৎ ওইনা মতেক অমা অনীদি হায়ফেৎ য়াওখ্রে। ঙসিদি লীলা অমা ফোঙবসি কমাইনা তৌগে হায়দু অমুক্তা ময়ামদা লীজগে। ঐনা লীজরিবা ৱারীসি ঐগা শাগোন্নবা অমদি ঐনা খঙবা অদু খক্তনি, মী অতোপ্পা কাঙলূপকীদি ঐ থোইনা খঙজদ্রে। অদুবু মমাঙঙৈ অহল লমনশিংনা লীবিরম্বা ৱারীদি মতেক ওইনা থমজগে।

মমাঙঙৈগী অহল লমনশিংনা লীলা ফোঙবসি য়াম্না লুনা লৌনৈ। লীলা কাঙবু অমা লীংখৎলগা লীলা অমা ৱানা পুথোক্লবা হোৎনরবা মতুংদা ইহান হান্না লীলাদু মীয়ামদা ফোঙবসি পাক হেক পাঙথোকপা ঙম্নদে। মরমদি লীলাদু ফোঙবনি হায়দুদা কনামত্তনা শেল পীদুনা কৌনীংদে। লীলা ফোঙবসি য়াম্না নুংঙাইতে হায়না খন্নে। অদুনা মমাঙঙৈ অহল লমনশিংনা, হৌজিক্তি অয়াম্বনা লৈখিদ্রে, এস মধুমঙ্গোল (ময়াম্না ঐগ্যা ইতুখোম্বী হায়রগসু খঙনবা), এম বিনোদ (ময়াম্না দাকু জগৎ সিংহ হায়রগসু খঙনবা), এস জুগেশোর শর্ম্মা (ময়াম্না চৈতৈ শাবা হায়না খঙনবা), ওইনাম বাবু, তখেল্লম্বম চাওবা, ময়াং ইম্ফাল তোম্বী (ফাগি পুবা য়োৎশবী মখোঙ অহুমনি হায়না খঙনরিবনি) ওজাশিং অসিনা লীবিরম্বা ৱারী খরা লৈ। লীলা ফোঙবসি য়াওশঙ ময়া, মরু ওইনা ফাইরেন পঞ্চমি নংনবা, য়াওশঙ নংনবা, কাঙ নংনবা, দুর্গা পুজা নংনবা, চাক্কৌবা নংনবা অসুম্না লীলা ফোঙবগী সিজন খরা লৈ। মসিদা ফোঙদৌরিবনি। লীলাসি মীনা কৌবীদ্রে। লীলা কৌবা লাকপা মীনসু হংই। লীলাসি ফোঙবা কয়াম কুইরে হায়না। কুইদ্রি হায়রদি ফনা ফজৈ হায়রসু কৌবগী চাংসি ৱাৎলি। অদুনা পার্টিগী অলশিংনা রিসিপ্ট বুক অমা পায়রগা খঙন-চান্নবা থিদুনা চৎলি, লীলা ফোঙগে হায়না। মমীংদি পন্নীংদ্রে, ওজা খরদি দুর্গা পুজা কায় কায়দা লাৎলিগে থিরগা পুজা লাৎফমদা চৎলগা লীলা তৌজগে হায়না কোয়চৎ চৎলগা হায়নবসু য়াওই। মদুদা লীলাদু শান্নগনি, অদুগা শেলদি লীলাগী মমল ওইনা নৎত্রসু মমিংতগী ওইনা খরদং পীরসু অদুম য়ানরম্মী। লীলাদু ফোঙহৌবদুনা হেন্না মরু ওই হায়না খল্লগা। লীলাদু ফোঙবা নুমিত্তা মীনা ফজৈ হায়ননবা য়াম্না থৱায় য়াওনা শান্নে। মদুদা মীনা ফজৈ হায়নখিবদা মথং মথং লীলাদু কৌনরক্কদৌরিবনি। অদুনা লীলা ফোঙবসি য়াম্না লুনা লৌনৈ।

ঐগী পার্টিগীদি লীলা ফোঙবসি মীনা কৌবা লাকপদা, ফোঙগদবনি হায়না অদুম হায়। হয়েং শোয়রগসু অফোঙবা লীলানি হায়না হায়নবা, অদুগা লীলা হৌদ্রিঙৈদসু লাউথোকচৈ, লীলাসি ঙসি ফোঙজগদবনি, অদুনা অশোয় অঙাম য়াওরসু ঙাকপীয়ু হায়না। অসুম্না চত্থরম্বদগী খরা থেংথরকপদদি লীলাসি পুথোকপা ঙম্বগী চাং ৱাৎলে, মরমদি লীলা অদুম চৎতুনা লৈবসিনা লীলা তম্নবগী অনৌবা পুথোক্লবগী মতম কায়থোকপা ঙমদবদগী। ঐখোয়না কন্না লীলা তৌরকপা মতমদদি, চেরিটি হায়বসিমা য়াম্না কন্না চৎনরে। চেরিটি সিদি লীলা অনৌবনি হায়রদি ময়াম্না পাম্না টিকেট ককনৈ, কনানা করি শাবা, করম্বা ৱারীনো, কয়াম নুংঙাইবনো হায়বসি অয়েংবশিংনা চাংয়েং ওইনা য়াম্না য়েংনীংই, অদুনা টিকেট য়াম্না শিৎলি। লীলা কৌরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংসু শেন্দোং ফংজৈ। তৌবুদি মতমদুদা টিকেট ককপা হায়সি, অঙাংগীনা লুপা ২, অহলগীনা লুপা ৫নি। খরা লৈরগবুদি লুপা মঙা-তরা, অদুদগী তরা-কুন হায়না ওন্থোক্লরক্লে। ইম্ফালগী অকোয়বদসু লীলাগী চেরিটিসি অদুম শান্নে, মদুদদি লীলাগী টিকেট মমলসি খরা অমুক ৱাংই। লুপা কুন-কুন্থ্রাগা য়ৌই। মদুদদি চ্যের ওইনা থারে। অতৈদদি চ্যের থাদে, লম্পাকনি, চরু খরা চাইথোক্কনি, মদুদা মশা মশানা পুজরকপা ফক নৎত্রগা ফি থাদুনা ফমগদৌরিবনি। মোরা/ফান/চৌক্রিগুম্বা পুরক্লগদি মমাঙ ওইরপনা ফম্বা য়াদে, মনিংদা ফম্বীয়ু হায়না মাইক্তা শিল্লি লাংলিবশিংনা লাউথোকই। ময়ামসিনা মাগী মাগী খুদোং চাগদবা য়েংদুনা ফম্নবনি। থোইদোক্লা ফম্ফমগীদমক চিলহাও থিনদে। নূং মচেৎ অমবু লৈরসু মদুদা হেক্তা ফম্বনি।

মসিনা য়েংগদবা অমদি শিল্লিবশিংগী ৱানি। লীলা শান্নগদৌরিবা ঐখোয়গীসু তোঙান্না এরেঞ্জমেনট অমা তৌরিবনি। লীলা ফি শেৎফমদা, সিন চার্ট, কনা কনা থোক্কদবা, মথংদা কনা থোক্কদবা হায়বনচিংবা ইথোল্লগা থল্লিবনি। মদু য়েংলগা থোক্লদুইনি। লীলা থোক্কদবদা ৱাৎলিবোই নীংদুনা হেক থোক্তা, অসোমদনা থোরক্কদবা মীদু ঙাইবদা ৱা হায়নীংঙাই লৈতদুনা, শেমজিন শাজিল্লগা পংঙাঙদা ঙাঙবদা, ঙাঙনীংঙাই লৈরক্তদনা খোইদৌ শাওগৎনবা, মদুদা শাওগনবা এক্টর খরদি থোক চঙলক্লগা ফি শেৎপদা লাউররিবনি - "কৈদৌ লৈগে?" মদুদগী মখা অমুক শমথনবা হোৎনবদা, হোবে-হোবে চেন্থোক্লগা অমুক মখা চত্থরিবনি। অদুবু ওদিএন্সনদি কয়া থোইনা খঙদে, খঙবা য়াওরসু থোইদোক্লা অথীবা ৱাহৈদি হায়বীদে। লীলা ফোঙবসিদা য়াম্না খুদোং চাদবসি, লীলাগী দাইলোগ ফাদবসিনি। লীলাগী দাইলোগ ফাদবা মীসি, খরা নাপন কাবা, কয়া থৌ-ৱা শাদবশিংনা খিৎ হেল্লি। মোইনা "থোক-অ থোক-অবা ঙাঙশিল্লগা লোইরে, ঐগা পানবদুনা মাইনা চুমথোকচরক্কনি" হায়না ইরায় লায়না খনবা য়াওই। ফনা য়াম্না পারসু মথা ফত্তবা এক্টর খরদি পাক ফাদে, লীলাদুনা তরারক্কুম্বা হেন্না শান্নরবা মতুংদা খরা খরা ফারক্কনি। লীলাগী দাইলোগ ফাবসি টেক্নিক অমা লৈ, ঐনা মদু ময়ামদা তোয়না হায়। লৌশিনবা কাঙবু খরনদি মদু কান্নে খঙই, অদুগা খরা হেদো-হেরাও কাবা কাঙবুদি ইৱা লৌবীবা নত্তে। নুংঙাইখ্রবা ঙাক্তনি। লীলাগী দাইলোগসিদি চিন্না পংপাদা পারগা হেক্তা ফাগদবা নত্তে। সিষ্টম অমদি টেক্নিক লৈ, মদু শীজিন্নবদা ইরায় লায়না অদুম চিনসিদা মথন্তা অদুম থোকচরক্কদবনি। মসিদি মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা থিএটরগী থিএটরিয়ন ময়াম অমনা ইদুনা থম্বীরল্লবনি। মদু পাবা, নৈনবা অমদি তম্বা চঙই। অদু য়াওদ্রবদি খঙবা হৌনদে। লীলাগী ষ্টোরি, সিক্বেন্স, সিচুএসন, প্লেস, টাইম, কনাগা কনাগা উনগদৌরিবা, করি মতাংদা ৱা ঙাঙনগদৌরিবা, করি মরমগী হায়নগদৌরিবা, মদুনা লীলাগী ৱারী পরিংদুদা করি পীগদৌরিবা হায়বনচিংবা আর্টিষ্ট অদুনা খঙগদবা ময়াম অমা লৈরি। মদু লোইনা খঙলবা, প্রেক্টিস তোয়না তৌরবা মীশক অদুনা দাইলোগ ফাবসি অরুবা ওইরোই। লীলা তম্নবগী নৈনরকপদা, স্ক্রিপ্ট রিদিং, কেরেক্টরস এনালিসিস, প্রদক্সন দিজাইনিংনচিংবা কয়া অদু মমুৎ তানা হান্না খঙনবা হোৎনফম থোকই। লীলা ময়ায়দা দাইলোগ সিনবু হেক মচিন্দা থোরক্ত্রবদি আর্টিষ্ট অদু পুমশি শিগদৌরিবনি। মসি করিগুম্বা মতমদা য়াম্না তোয়না থোকই। অদুগুম্বা সিচুয়েসন অদুদা আর্টিষ্ট অদুনা করি করি তৌগদগে হায়বা অসিসু অরুবা অমনি। ওরিজিনেল লীলাগী দাইলোগতুদি হায়দবা য়ারক্লোই, অদুবু চিন্দদি থোরক্ত্রে, মদু থোরক্লবা প্রেক্টিস অমা ৱা ঙাঙনা ঙাঙনা তৌগদবা লৈ, মসি য়ৌনা আর্টিষ্টশিংনা তম্বা অমা মথৌ তাই। মসিনা মতাং অমা ওইনা লৈজখ্রসনু।

মখা চত্থরকপদা লীলাসি কোন্নদি ফজরক্কদবা ওইরবা, অদু ওইরদি লীলা ফোঙবা নুমিত্তা ইরায় লায়না অদুম খঙবা ঙম্মী। লীলাগী মরক্তা হায়নবা অমা লৈ মদুদি - মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ হায়দুনা। অহানবা লীলা ফোঙবদু 'মৈ' নি হায়না অহলশিংনা তম্বীরম্মী। মদুদা য়াম্না চেকশিন্না থৱায় হেন্না য়াওশিন্না মৈদৌনা ঙ্রুং-ঙ্রুং চাকপা মখৈ লীলা শান্নগনি। অদুনা লীলাগী খোঙচৎসু থুগৎকনি। ফজফম অমা খঙলোই। অনীশুবা শান্নবদুনা ঙরাং মৈ তাখ্রবনিনা, ঙসিদি খরা ঈংথনা ফজনা শান্নসি হায়ননি, মদুবু - 'ঈশিং' হায়না খঙনৈ। অহুমশুবা শান্নবদুনা - ঙরাং ঈংথমনখিদনা লীলাসি নুংঙাইফম অমা খঙদ্রে, অদুনা খিতং খোঙজেলসি য়াঙখৎনা শান্নরসিকো হায়না হায়নরগা শান্নে, মদুবু - 'নুংশিৎ' হায়না খঙনৈ। মৈ-ঈশিং-নুংশিৎ, নুমিৎ হুমনিসিদা ফংলিবা এক্সপরিএন্স অদু য়েংলগা অমুক লীলাসি খরা শেমদোক শেমজিন, হোংদোক হোংজিন তৌরগা শান্নবদদি লীলাগী অরেপ্পা মশক অমা তপ্না তপ্না শাগৎপা হৌরকই। অদুনা মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ অসিবু লান্থোকখ্রবদি লীলাগী মরাইবক অমা লেপ্পগনি হায়না খন্নে। হৌজিক্কানদি খঙদ্রেকো। ঐনা হায়রিসি মতমসিগা চুনরমদবসু য়াই, ঐগীসিদি ঐগী এক্সপরিএন্স অদু ময়ামদা থমজবনি।

লীলা ফোঙবদা নুংঙাইতবসিদি করি অমুক হায়রুনি। লীলা লোইরকপদা মীগা উননীংদবজাৎনি, মায় ফাওবা থাদোক্তনা চেন্নবা হোৎনরিবনি। লীলাদুনগা খরা নুংঙাইরদি ইহি হিগৎনদনা ফনা কুইনা অয়েংবা কাঙবুশিংগা লীলাগী ৱারী শুদুনা লৈথোক্লিবনি। লীলানবু নুংঙাইত্রদি লীলা কন্না শান্নরিঙৈদা, "লীলা হৌরো" "লীলা হৌরো" হায়না লাউবা চৎনৈ, মদুদগী হেন্দোক্তুনা নাকপাক-নাকপাক ফুক ফুক হৌগৎলগা চৎনখিবা য়াওরিবনি। মদুদগা ইকায়বসিদি অরোইবীনি। মদু ঐখোয়গী প্লে খরদসু য়াওখি। মদুগুম্বদু থোক্তনবা, লীলাগী স্ক্রিপ্ট সেলেক্সন, রিহার্সেল য়াম্না চেকশিন্না তৌই। লীলাসি শুক্তম তমদনা শান্নবসু য়াওই। পার্টকী দাইলোগ খরা খরা ফানরগা, নোংমখক লীলা চৎলমদাইদা মকোক্তগী লোইবা ফাওবা, ঐখোয়না ফানরিদু লেপখৎলগা ঙাঙনরগা অদুম ফোঙবা য়াওই। ফজরগনা পংফা ফজবা, ফজনা নিংথিনা তম্লসু ফোংবদা ফ্লোপ চৎপসু য়াওরিবনি। "কৈশামথোং থোইবী" হায়না মমিং চৎলিবা লীলাদু ফোঙবা নুমিত্তা, ভাবোক খরনা, "সিগী লীলাসি শানরদি চরা হেল্লনি, অতোপ্পা লীল অমা থুনা ফোঙনবা হোৎনৌ" হায়রক্লিবনি। মদুদগী শেল্ল-শেল্লগা সিন হাপতোক হাপচিন তৌরগা, দিজাইন অমা অমুক ওন্থোক্লগা, কোন্নথংদতা ফজরগা ফাওরকপগী ৱানি। অহানবদদি মথা শানরুবনি কৈনো। ●

## মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৬২

**উসম ধনঞ্জয়**

**দিসেম্বর ২৪, ২০০৯ ইং :-** ঙরাং নুমিদাংগী অহিং ফাওবগী মনুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা অসাম রাইফলসকী খূত্তা মীওই ৯ শিরে। ঙরাংগীসি থারগা চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দো, সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী কম্বাইন্দ টিমগী খূত্তা শিবা মীগী মশীং ২৯০শুখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থিয়াম কোঞ্জিন অমসুং ৱাইথৌগী জেনরেল এরিয়াদা কে ৱাই কে এলগী খূৎলায় পায়বা মীওইশিং চত্থোক চৎশিন তৌরে হায়বগী পাউ ফংবদগী ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.১০ রোম তাবদা হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ) কী মখাদা লৈবা ৯শুবা সেক্টরগী ২৮শুবা অসাম রাইফলসনা জগা অদুগী মফম কয়াদা এম্বুস তৌবদা অন্দরগ্রাউন্দগী মীওই অহুম শিরে হায়না হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

শিরবা মীওই অহুম অদুদগী নাইন এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৮, এ কে ৪৭কী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৫, এ কে ৪৭কী কাপথোকখ্রবা তোক্লিং ৭, য়ু এস এনা শাবা ৭.৬২ এম এমগী রাইফল ১, মেগজিন ১, মেগজিনগা লোয়নবা নাইন এম এমগী পিষ্টোল ৩ অমসুং শেলগী দিমান্দ তৌবগী অকূপ্পা মরোল অমদি তোঙান তোঙানবা মীংশিং ইবা পোকেট দাইরি অমা ফংই। অশিবা হকচাংশিং অদুদগী ফংবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৪৫ রোম তাবদা লিলোং পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখি হায়না পি আর ওগী চেরোল অসিনা হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্নদি লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অদুগী মনুংদা কোমরেম দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইবা ব্রোইলর কৌবা অমা য়াওই হায়রি।

অমরোমদা, হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ) কী মখাদা লৈবা ২৬শুবা সেক্টরগী ৮শুবা অসাম রাইফলসনা হৌখিবা অহিং (তাং ২৩ অমসুং ২৪গী লোন্নবা) পুং ১২.২০ রোম তাবদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী লাইবোল দংগী জেনরেল এরিয়াদা ওপরেসন চত্থবদা প্রিপাক্কী মীওই ৬ শিরে হায়না হেদ ক্বার্টরস অসিগী পি আর ওগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

৮শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা চৎলম্বা মীওই খরা লেপ্পবা খাল্লুবদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী অসাম রাইফলসনসু হন্দুনা কাপ্পখি। মদুদা মীওই অহুম শিখি। মখোয়দগী মেগজিনগা লোয়নবা এ কে ৪৭ রাইফল ১, এ কে ৪৭কী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৬৯ অমসুং হেন্দ গ্রেনেদ ২ ফংখি। হেন্দ গ্রেনেদশিং অদু মফম অদুমক্তদা অদুম পোকখায়হনখি হায়রি।

অসাম রাইফলস কাঙবু অদুনা অহিং পুং ২.৩০ রোম তাবদা লাইবোল দুংগী জেনরেল এরিয়াদা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা মীওই খরা চৎপা থেংনখি। মখোয়গা খূৎ থোক্লবদা মফম অদুমক্তদা মখোয় অহুম শিখি। মখোয়দগী এম-১৬কী রাইফল ১, এম -১৬কী মরূ ৭২, পোইন্ট থ্রী আইট রিভোলভর ১, পোইন্ট থ্রী আইটকী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৩৮ ফংখি। অশিবা হকচাংশিং অদু মখোয়দগী ফংবা খূৎলায়শিংগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

প্রেসতা লৈবা রেকোর্দকী মতুংইন্না ঙরাংগী অসি থারগা চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মণিপুর পুলিস কম্মান্দো, সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং মণিপুর পুলিস কম্মান্দো অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী কম্বাইন্দ টিমগী খূত্তা শিবা মীগী মশীং ২৯০শুখ্রে। জন্যুৱারী থাদা ৩৭, ফেব্রুৱারী থাদা ২৪, মার্চ থাদা ৩০, এপ্রিল থাদা ৪২, মে থাদা ৩২, জুন থাদা ২৯, জুলাই থাদা ১৮ (চুংখাম সঞ্জিৎ য়াওনা), ওগষ্ট থাদা ৬, সেপ্টেম্বর থাদা ৮ শিখি। অদুগা দিসেম্বর থাগী ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং নুমিদাং ফাওবদা লৈখিদবা অদু থারগা মীওই ১৯ শিখি।

**দিসেম্বর ২৪, ২০০৯ ইং :-** তাং ২২গী নুংথিলদা নোংব্রম খুন্দা লৈঙাক্কা 'শু' (সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন) লৈনরিবা কে এন এফ (পি) গী শেনখায়-থুমখায় অমদি নম্ফু হাফুগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চত্থরিঙৈদা নোংমৈ কাপশিনবদা নুপী অহুম শোকখিবা অমদি তুংদা খোইশাওনরবা মীয়াম্না তান্নদুনা মীওই অনী ফারগা ফূবদা শিখিবা থৌদোক অদু কাঙলূপকী ঈরাং ওন্থোক্লবা হোৎনবীগনু হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) না অপীল তৌরক্লি।

য়ু সী এমগী আই পি আর সেক্রেটরি কে ঐচ নিলমনি খা ঙানবনা প্রেসতা থোকপা চেরোল অমদা থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউদম্লদুনা হয়, কে এন এফ (পি) গী মীওৎ মীনৈ নম্ফু হাফুগী শেনখায় মীচম কয়াবু তুরেল লান্থোক লানশিন্দা ফোর্স লেবর ওইনা শীজিন্নবা, অমম অথেংবদা অচৎ অওক্তগী শেল, মোবাইল ফোন মুনবা, য়াদ্রগা ফূবা কয়া অসি খাঙবা ঙম্লক্তবদগী লমদমদুগী ইমাশিংনা অচৎ-অওক, লম্বী থিংদুনা ৱাকৎ মীফম অমা নুমিৎ অদুদা ফমখি। চৈরক অদুদা চাকা মরি পানবা বোদি কুপ্তবা গাড়ী অনীদা মীওই খরা বন্দ থুগাইদুনা চৎনবা হোৎনরকখি। মখোয় মশানা কে এন এফ (পি) গী খূৎলায় থিনবা চৎলিবনি হায়দুনা নম্ফুদা চৎনবা হোৎনরকখি। মদুদা য়ারোই হায়না থিংবদগী মীওইশিংদুনা মখোয়না পায়রকপা সেটতা পাউ পীনখ্রবা মতুং ইকুই কুইদনা কোম্বেট দ্রেস শেৎপা অমদি শেত্তবা কেদর ১৫/২০ লোম খুদক্তা লাক্লগা ইমাশিংদা ওনশিল্লগা নোংমৈ পংকাপ্তা কাপখি। মদুদা ইমা অহুম থীনা শোকখি। ইমা অমদি অরুবা ফীভমদা শিজ হোস্পিটালদা ওপরেসন তৌখি। মখোয়গী নোংমৈনা মীচম অহুম হাৎলে হায়না লাউনরকপদগী খোইশাওনরবা মীয়াম্না গাড়ী অদুদা তোংলকপা মখৈ তান্নবদা অফংবা মীওই অনী মীয়াম্না ফূবদা শিখি।

থৌদোক অসিগী মখা তাবদা নোংমৈ পায়বা কে এন এফ (পি) গী কেদরশিংনা ওৎ নৈবা কয়া কিবদগী লাঞ্জেন্নদুনা খুঞ্জা ২০০ হেন্না এম এল এ শ্যামকুমারগী য়ুমদা অহিং য়ারেকখি হায়নসু চেরোল অসিনা হায়রি।

হৌজিক খুঞ্জাশিংগী মরক্তগী মীচম অনী থৌবাল পুলিসনা ফাজিন্দুনা কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রে হায়বগী পাউ ফংবগা লোয়ননা লৈখিদবা মীওই অনীদু মীয়াম্না ফূবদা শিবনি, ফাবা তারবদি মীয়াম পূন্না ফাগদবনি হায়দুনা য়াইরিপোক পি এসতা মীয়াম্না চঙশিনখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চৈরকসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা মীহাৎপা পুথোক্কনি হায়বগী অকক্লবা দেদ লাইননচিংবা পীদুনা অশাওবা মীয়াম্বু ঙহাক্কী ওইনা ফাথনবা হোৎনবনা অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। ৱাথোক অসি করিদগী হৌরকপনো হায়বদু শেংনা খঙদোক্লগা তেনশিন্নবা হোৎনবা চুমগনি হায়না য়ু সী এমনা হায়রি।

ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্কা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (শু) তৌনরিবা লালহৌলূপ কে এন এফ (পি) গী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা লাক্কদবা মীচম কয়াদা ওনশিল্লগা মীহাৎপগী চৈরাক পীনবা হোৎনবা চুমদে। চীফ মিনিষ্টরনা মমাঙদা শু তৌনরিবা লালহৌলূপশিংনা গ্রাউন্দ রুল থুগাইরবদি চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না হন্না হন্না লাউথোকখিবা লৈরবনি। মদু ঙাক্লা চৎপা ফৈ। লৈঙাক্কী হৌনবী ঈরাং কন্দ্রিমখৈ কুম্মৈ য়েংদুনা লৈথোকপা, হেন্দা হেঞ্জিল্লক্লগা ফাজিন পুনশিনবা, জেলদা নমশিনবগী হৈনবী থাদোকসি হায়নসু চেরোল অসিনা হায়রি।

অমরোমদা, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংদা ৱাথোক অসিগী অশেংবা ৱাহৌ, লংলা লংজিন থিদোকমিন্নদুনা অচুম্বা মায়কৈদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনমিন্নবসু য়ু সী এমগী চেরোল অসিনা অপাম্বা ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অসি কাঙলূপকী ঈরাংলোমদা পুনখ্রবদি লাইবক থীবা ওইনা পাকথোক চাউথোরকপা য়াই হায়বগী নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা চেরোল অসিনা চহী চা কয়া নুংশি চান্নরা লৈমিন্নরকপগী ইচিন ইনাও ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিন্নবা হোৎনমিন্নবসু অপীল তৌরক্লি।

**দিসেম্বর ২৪, ২০০৯ ইং :-** জে এন হোস্পিটাল, পোরোম্পাৎকী ষ্টাফশিং নৌনা হাংদোক্লবা হোৎনরিবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস( জেনিমস) তা ওনশিনবদা কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে। চীফ মিনিষ্টর, ও ইবোবীনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি চীফ মিনিষ্টরস সেক্রেটরিএটকী কেবিনেট হোলদা ফমখিবা কেবিনেটকী মীফম অমনা, হান্না শেমখিবা কোর কম্মিটিনা থাগৎলকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না জে এন হোস্পিটালগী ষ্টাফশিং জেনিমসতা ত্রান্সফর তৌবদা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা ডোক্টরশিংবু জেনিমসতা এবজোর্ব তৌবা য়াব্রা হায়বদু কোর কম্মিটি অদুদা শিন্নখ্রে হায়রি।

জেনিমসকী ষ্টাফশিং ৬শুবা পে কম্মিসন পীবা পীদবা হায়বদুদি ইন্সটিট্যুট অসিবু চল্লাইরিবা সোসাইটি অদুনা লেপচনবসু ঙসিগী কেবিনেট মীফম্না য়ানখি হায়রি।

অমরোমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী কর্ম্মচারিশিংগী থবক তৌবগী চহী অসি ৭০দা শাংদোক্লবা ঙসিগী কেবিনেট মীফমনা ইন প্রিন্সিপাল ওইনা য়ানখিবগা লোয়ননা হাওসতা পুথোল্লগা অয়াবা লৌনবা লেপ্পখি হায়রি।

অমরোমদা, শকখঙদবশিংনা ফাখ্রগা দিসেম্বর ১৮দা শিনা ফংখিবা রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট, চিংঙাই ব্লোক্তা লম্বু ওইবা কসোম খুল্লেন্দগী এ এস রিংফামি (৩৭)গী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ১গী এক্স গ্রেসিয়া পীনবা অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওই অমদা লৈঙাক্কী থবক পীনবসু ঙসিগী কেবিনেট মীফম্না অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

হৌজিক ভি দি এফ (ভিলেজ দিফেন্স ফোর্স) ৮,৫৫০ লৈরিবা অসিগী মথক্তা ১,৫০০ অমসু অমুক নৌনা লৌবদা কেবিনেটনা অয়াবা পীখি। পর্সনেল ১৫০০ অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্টতা ৩০/৩০ হাপচিল্লগা ষ্ট্রেংথ মথংশিংনা ২০৫০ অমসুং ১৮৫০ ওইহল্লগনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অনৌবা ৫০০ হাপচিল্লগা ২৫০০ শুহল্লগনি। অদুগা বিষ্ণুপুরগী ওইনা ৩০০ হাপচিল্লগা ১৩৫০ অমসুং চান্দেলগী ওইনা ১০০ হাপচিল্লগা ৩০০ শুহল্লগনি হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী মহিলা বট্টালিয়নগী ওইনসু এস আই ১২, এ এস আই ৭ নৌনা হাপ্পদা ঙসিগী কেবিনেট মীফম্না অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

ঐচ আই ভিগা লোয়ননা হিংলিবা অমসুং বোদিবিল্ডিংগী লম্‌দা মনা কয়া ফংখ্রবা খুন্দ্রাকপম প্রদিপকুমারবু য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা ফিজিকেল ইন্সত্রক্টর ওইনা হাপ্পবসু ঙসিগী ষ্টেট কেবিনেট মীফম অদুনা অয়াবা পীখ্রে হায়না পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।